# নিলকান্ত কমনৱেল্থ গেমসকী নুপাগী স্কৱাদতা য়াওরে, মনপ্রিটনা কেপ্টেন ওইরগনি



ন্যু দেল্লী, জুন ২০ (এজেন্সী):

ষ্টেটকী শান্নরোয় শংলাকপম নিলকান্ত কমনৱেল্থ গেমসকী মীওই ১৮না শাবা ইন্দিয়ন সিনিয়র মেন্স হোক্কী স্কৱাদ ঙসি লাউথোরকপদা য়াওরক্লে অমদি মনপ্রিট সিংহনা কেপ্টেন অদুগা দ্রেগ-ফ্লিকর হর্মনপ্রিট সিংহনা ভাইস কেপ্টেন ওইনা ইন্দিয়া টিম লুচিংলগনি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা বর্মিংঘম ইভেন্ট অমদি ২০২৪গী পেরিস ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফায়র ওইগদৌরিবা হাংঝৌ এসিয়ন গেমসকী মরক্তগী লৈখিবনা প্রোসেসকী মতম তেন্না ফংখিবনা কমনৱেল্থ গেমসকী স্কৱাদ অসি সেকেন্দ-ষ্ট্রিং টিম অমা ওইনা থানবা ফিরেপ লৌখিবনি।

চাইনাদা কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরিবা ফীভম্না এসিয়ন গেমস অসি মথংগী চহীদা পাঙথোক্লুবা য়েথোকখিবদগী হোক্কী ইন্দিয়ানা জুলাই ২৮দগী হৌগদৌরিবা লেমজ নিংঙাই ওইরবা ইভেন্ট অসিগীদমক অকনবা টিম অমা খন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ইন্দিয়ানা পুল বিদা ইংলেন্দ, কেনাদা, ৱেলস অমদি ঘানাগা পূন্না শরুক য়ারি অমদি ঘানাগা জুলাই ৩১দা অহানবা মেটচতা থেংনরগনি।

ইন্দিয়া টিমগী শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা পি আর স্রিজেশ, কৃষ্ণন বহাদুর পাঠক; দিফেন্দরদা ভারুন কুমার, সুরেন্দর কুমার, হর্মনপ্রিট সিংহ, অমিট রোহিদাস, জুগ্রাজ সিংহ, জর্মনপ্রিট সিংহ; মিদফিল্ডরদা মনপ্রিট সিংহ, হার্দিক সিংহ, ভিভেকসাগর প্রসাদ, শমশের সিংহ, অকাশদিপ সিংহ, নিলকান্ত; ফোরৱার্দতা মন্দিপ সিংহ, গুর্জন সিংহ, ললিট কুমার উপধ্যায় অমদি অভিশেকনি।

# দেনিল মেদভেদেভনা এ টি পি রেঙ্কিংগী মকোক্তা লৈরি

পেরিস, জুন ২০ (এজেন্সী):

রসিয়াগী দেনিল মেদভেদেভনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা হালে ফাইনেলদা পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাসকী মখূৎতা মায়থীখ্রবসু ঙসি থাদোরকপা এ টি পি রেঙ্কিংগী মকোক্তা লেংদনা লৈরি।

দেনিলনা পূন্না পোইন্ট ৮১৬০ ফংদুনা তোপ স্পোটতা লৈরি। হুবর্ট হুর্কাসকী মায় পাকখিবা অদুনা পোইন্ট ৩৭৩৮ (+২) ফংদুনা মফম অনী কাখৎলগা ১০শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে অদুগা ইটলিগী মেটিও বেরেটিনিনা কুইনদা পাঙথোকখিবা গ্রাসকোর্টতা মায় পাক্লবসু পোইন্ট ৩৪৮০ (-১) ফংদুনা ১১শুবা মফমদা হাইথখ্রে। বৃটেনগী কেমরুন নুরিনা পোইন্ট ৩২০০ (-১) ফংদুনা ১২শুবা মফমদা লৈরি।

কুইনগী ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা সর্বিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোবিকনা ৪৮শুবা মফমদগী হাইগৎলগা ৩১শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

এ টি পি রেঙ্কিং অসিদা জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা পোইন্ট ৭০৩০ ফংদুনা ২শুবা, সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিকনা ৬৭৭০ ফংদুনা ৩শুবা, স্পেনগী রফেল নদালনা ৬৫২৫ ফংদুনা ৪শুবা, নোরৱেগী কেস্পর রুটনা পোইন্ট ৫০৫০ ফংদুনা ৫শুবা অমদি গ্রিসকী ষ্টেফানোস সীসীপাসনা পোইন্ট ৪৯৪৫ ফংদুনা ৬শুবা মফমদা লৈরি।

স্পেনগী কার্লোস অলকারাজনা পোইন্ট ৪৮৯৩ ফংদুনা ৭শুবা, এন্দ্রি রুব্লেভনা ৩৮৭০ ফংদুনা ৮শুবা, কেনাদাগী ফেলিক্স ওগর অলিয়াসিমনা ৩৭৬০ ফংদুনা ৯শুবা, ইটলিগী জেনিক সিন্নরনা ৩১৮৫ ফংদুনা ১৩শুবা, য়ু এস এগী টেলর ফ্রিটজনা ২৯২০ ফংদুনা ১৪শুবা, অর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টজমেননা ২৩২৫ (+১)ফংদুনা ১৫শুবা, কেনাদাগী দেনিস শাপোভালোভনা ২২৯৩ (-১) ফংদুনা ১৬শুবা, ক্রোএসিয়াগী মেরিন সিলিকনা ২২২০ ফংদুনা ১৭শুবা, য়ু এস এগী রেলি ওপেলকানা ২১০০ ফংদুনা ১৮শুবা অদুগা স্পেনগী পাব্লো কেরিনো (২০৪৫) অমদি রোবর্টো বোটিষ্টানা (১৯০৩) ফংদুনা ১৯ অমদি ২০ শুবা মফমদা লৈরি।

# ইন্টরনেসনল, নেসনলদা মেদল ফংলকখ্রবা ভেটেরান এথলিটশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিগী অমদি ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরক্তুনা মিংচৎ পুরকখ্রবা সিনিয়র মাষ্টর এথলিট নুপী ৮ অমদি নুপা ৬ পূন্না এথলিট ১৪বু মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক য়ুঠ হোষ্টেলদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসনগী হান্নগী ট্রেজরর নাওরোইবম সুবদনীনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকখ্রবা ভেটেরান স্পোর্টস পর্সনশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অসি য়াম্না পুক্নিং নুংশিবা থৌরম অমনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসনগী তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ অনী অহুম থোক্না খায়দোরকপদগী লৈঙাক্না ২০১২দগী হৌনা এসোসিএসনগী মেম্বরশিংবু থওইদনা থম্বীরক্লি। অদুবু মণিপুর হায় কোর্টনা পীরকপা জজমেন্ট অমগী মতুংইন্না মচোই-মচোই তারবা এসোসিএসন অসিবু পূনশিন্নবগী খূদোংচাবা পীবা ওইনা নৌনা মীখল তৌনবা য়াথং পীরক্লে হায়খি।

মেদলফংলকখ্রবা ষ্টেটকী ভেটেরান এথলিটশিং অদুদি এন জমুনা, দল্লিয়ু নির্মালা, এস সনাহনবী, কে ঐচ শামু, এন অমুমচা, কে ঐচ ইবোমচা, টি বিধু, কে ইবোহল, টি ঐচ দশু, ঐচ ফুনিল, এন রুপাবতি, ঐচ বিনো, এল ভৈগ্যবতি অমদি এ তোম্বীনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসনগী ফাউন্দর মেম্বর কে ঐচ ইবোমচা, এন অমুমচা অমদি টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিজকী রিটায়র্দ এদিসনেল দিরেক্টর কে ঐচ শামুনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# ডা. এল সুর্জিৎ এম এম টি এগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এ য়াইফ শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা জেনরেল বোদি মীফমনা য়েৎনবা লৈতনা চহী ৪গী ২০২২দগী ২০২৫ ফাওবগী থৌ পুনবা মীওই ১৪ খনবদা ডা. এল সুর্জিৎপু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে।

অতোপ্পা খনখ্রবা থৌ পুবশিং অদুদি য়াম্বেম হেনরি অমদি সাইখোম নন্দিরানীনা ভাইস প্রসিদেন্ট, ময়াংলম্বম কুমারনা জেনরেল সেক্রেটরি, থোকচোম ইন্দিরা অমদি চিরোম শঙ্করনা জোইন্ট সেক্রেটরি, চোংথাম জয়না ট্রেজরর অদুগা নিংঙোম্বম নীনা, অবুজম সুরেন্দ্রো, রিচার্দ মরিংমৈ অমদি য়াম্বেম দেভিদনা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা খনখি।

ইরেংবম সোভা, পি ঐচ গগন অমদি আর কে বিকোনসনানা এসোসিএসনগী ইন্টর্নেল ওদিটর ওইনা খনখ্রে হায়না ২৬শুবা জেনরেল বোদি মীফমগী ইলেক্সন রিটর্নিং ওফিসর ওইখিবা লাইশ্রম দোলচন্দ্রনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# কেনেদি সাপম অম্ফাগী কেট-১ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা লৌবা কেট-১গী এন্যুএল ফিটনেস টেষ্ট অমদি থিওরিদা ইম্ফাল ইষ্টকী কেনেদি সাপম মায় পাকখ্রে।



কেট-২গী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫- দল্লিয়ু স্প্রিংসন, এন ইবুংঙো মৈতৈ, পি ঐচ লম্হোইবা, এল রোপেন্দ্র অমদি এন অরুনকুমার; ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২- এল গোকুলানন্দ অমদি টি ঐচ কিরঞ্জিৎ; দি এফ এ থৌবালদগী আর কে অঙৌসনা অমদি দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী য়ুলুং লুংসু পূন্না মীওই ৯ মায় পাকখ্রে।

কেট-৩গী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৮, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৯, দি এস এ ককচীংদগী ৭, দি এফ এ থৌবালদগী ৮, উখ্রুল দি এস এদগী ৫, দি এস এ বিষ্ণুপুর অমদি দি এস এ চান্দেলদগী অমমম্ পূন্না মীওই ৩৮ মায় পাকখ্রে।

কেট-৪গী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১, দি এস এ ককচীংদগী ১, দিএসএ বিষ্ণুপুরদগী ২, দিএফএ থৌবালদগী ৬, দিএসএ চান্দেলদগী ৩, সেনাপটি, তেংনৌপল অমদি তমেংলোংদগী ২ পূন্না মীওই ১৫ মায় পাকখ্রে।

কেট-৫গী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টতগী ৬, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১, দি এস এ ককচীংদগী ২, দি এফ এ মোইরাংদগী ৪, দিএফএ থৌবালদগী ১, দিএসএ বিষ্ণুপুরদগী ৪, দিএসএ চান্দেলদগী ৪, দিএসএ সাইকুলদগী ৮, দি এস এ চুড়াচান্দপুরদগী ৩, দি এস এ সদর হিলস কাংপোকপীদগী ১৮ অমদি দি এস এ উখ্রুলদগী ২ পূন্না মীওই ৫৩ মায় পাকখ্রে।

হিরো জুনিয়র য়ু-১৭ ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল

# মেঘলয়ানা মধ্য প্রদেশ ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে




গুৱাহাটি, জুন ২০ (এজেন্সী):

অসামনা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা হিরো জুনিয়র অন্দর-১৭ ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পল্টন বজারদা লৈবা সাই ন্যু ফিল্ডদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঘলয়ানা মধ্য প্রদেশপু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেঘলয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রিদালিন সুটিং, মক্রিসা সোংথিয়াং অমদি বাসারিয়ামোইটনা শান্নবগী ১০, ৬৪ অমদি ৮৪ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা মফমদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বিহারনা তেলঙ্গনাবু ৮-০দা মায়থীবা পীখ্রে। বিহারগী গোলশিং অদু লক্কি কুমারীনা ৩, স্বিতি কুমারী অমদি সাব্রা খাতুননা ২/২ অদুগা মনিশানা ১ চনখি।

অতোপ্পা সোনাপুরগী এল এন আই পি ঈদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ত্রিপুরানা চান্দিগরবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ত্রিপুরাগী গোলশিং অদুনা মেরিনা জামাসিয়া অমদি স্নেহা দেবনাথনা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৮০ শুবা মিনটতা চনখি। চান্দিগরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা নন্দিনীনা শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

চপ মান্নবা মফমদা শান্নখিবা মেটচ অমদা দদ্রা এন্দ নগর হভেলি অমদি ওড়িষ্যা ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

দদ্রা এন্দ নগরগী গোল অদুনা পুজানা ৩৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ওড়িষ্যাগী গোল অদুনা অনকিতানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনখি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী ৬, ককচীংগী ৪ ট্রান্সফরগী এপ্লাই তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী সিজন ২০২২-২৩গী ওইনা ইন্টর ক্লব ট্রান্সফরগী শান্নরোয় ৬ অদুগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী ওইনা শান্নরোয় ৪না এপ্লাই তৌরকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয়শিং অদুদি এ এম এম এ এফ সীগী শরুংবম নির্মালা, চিংঙাখম গীতা, য়ুমখাইবম হেম্হোই, চিংঙাখম প্রেমলাতা, চিংঙাখম বিমোলবালা অমদি ফাঞ্জৌবম নির্মালা মখোয় ৬মক য়ু পি এস এদা ট্রান্সফর লাকখি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শান্নরোয় ৪- এস ঈ এস য়ুগী নোংমাইথেম অরুনকুমার, জুভেনাইল এসোসিএসন (জে এ)গী য়েংখোম রাহুল অমদি থৌনাওজম বেবেতো অদুগা সেনা এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (এস এ ও)গী শৌগাইজম জুপিটরনা ৱাই দল্লিয়ুয়ুদা ট্রান্সফর লাকখি হায়না দি এস এ ককচীংগী সেক্রেটরি এম নিলোনা খঙহল্লক্লি।

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):

ৱেষ্টলিং মশান্নদা ষ্টেট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ কয়াদা শরুক য়ারুরবা অমদি মুক্না যাত্রাসু ওইরম্লবা নোংমাইথেম বিশেশ্বরনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ১৪দা লৈখিদববু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ উদয়চান্দনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা, এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নাচৌদা লৈবা ৱুশু ট্রেনিং স্কুলগী ট্রেনিং হোলদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপূগী মফমদা থৌনীজিখিবগা লোয়নন্না ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি ফোঙদোরক্লি।

# শান্নরোয় ৯ লোন এপ্লাই তৌরকখ্রে


ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সিজন ২০২২-২৩গী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর অমদি লোনগীদমক ঙসি শান্নরোয় ৯না এপ্লাই তৌরকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী ইলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী তেন্সুবম দোনাল্ডোনা থৌবালগী ঐচ কে কে এস এ; থৌবালগী এ এফ সীগী নোংমাইথেম সুরজ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী দি ৱাই দল্লিয়ু ওগী মৈস্নাম প্রেমকুমারনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দল্লিয়ু এ এফ এ; ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি এম রাওগী এস টি নিংফামেননা চান্দেলগী থুংচেং এফ সী; ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই য়ু সীগী ইরুংবম লালঙম্বা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই দি ওগী সিনাম রোকেসননা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ু এস এ অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এম এস সীগী বি ফালগুনি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী বি এম এস সীগী মাইকেল লুনমিনলাল কিপজেন অমদি বিষ্ণুপুরগী এস দল্লিয়ু সীগী ওইনাম রমানন্দনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই ও এস সীদা ট্রান্সফর লাকখি।

শান্নরোয়শিং অসিগী তুংদা অয়েৎ-অপন লৈতনবা মরী লৈনবা ক্লবশিংনা ট্রান্সফর অমদি লোনগী সী আর এস তৌনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 490**

**W.. Donisthorpe - Mundell**
**It London, 2002**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Nc3 d6 |
| 4.d4 Bg4 | 5.Be3 f5 | 6.d5 fxe4 |
| 7.Nxe4 Nce7 | 8.c4 Nf6 | 9.Nxf6+ gxf6 |
| 10.h3 Bd7 | 11.Nh4 Ng6 | 12.Bd3 Nxh4 |
| 13.Qh5+ Ng6 | 14.Bxg6+ Ke7 | 15. ... |

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 489 Ans. :**

37. ...Qf3 The black queen deflects White's queen away from protecting the square c1. Opening the line from c1 to g1. 38. Qxf3 Rc1+ 39. Qd1 Rxd1# Back-rank mate

37. ...Qe6 38. Rc2 Qe4 39. Rxc4 Qg2#
0-1

HL-B/7641/12/5-9/7




HL-B/7610/8-22




**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 190/SDC/Bishnupur, 2022**

1. Ahongbam Premila Devi W/o (L) Ingudam Rajendro Singh of Khoijuman Maning Leikai.
2. Ingudam Bungo Singh S/o (L) Rajendro Singh of -do-
- Petitioners

-Versus-

Late Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Khullen. - O.P.

**NOTICE**

Bishnupur, the 20-6-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 39-Khoijuman পাট্টা নং 189 (অরিবা), 64/1113 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 1167/2653 গী 0.63 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/3117/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 191/SDC/Bishnupur, 2022**

1. Ahongbam Premila Devi W/o (L) Ingudam Rajendro Singh of Khoijuman Maning Leikai.
2. Ingudam Bungo Singh S/o (L) Rajendro Singh of -do-
- Petitioners

-Versus-

Late Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Maning Leikai. - O.P.

**NOTICE**

Bishnupur, the 20-6-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Maning Leikai দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 39-Khoijuman পাট্টা নং 125 (অরিবা), 496/867 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 279/2374 গী 0.62 চাওবা ফৌরেল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/3117/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 193/SDC/Bishnupur, 2022**

1. Ahongbam Premila Devi W/o (L) Ingudam Rajendro Singh of Khoijuman Maning Leikai.
2. Ingudam Bungo Singh S/o (L) Rajendro Singh of -do-
- Petitioners

-Versus-

Late Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Maning Leikai. - O.P.

**NOTICE**

Bishnupur, the 20-6-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Maning Leikai দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 39-Khoijuman পাট্টা নং 345 (অরিবা), 210 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 1236 গী 2.14 চাওবা তাওথবী অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/3117/21

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR**

**Ref. Mutation Case No. 195/SDC/Bishnupur, 2022**

1. Ahongbam Premila Devi W/o (L) Ingudam Rajendro Singh of Khoijuman Maning Leikai.
2. Ingudam Bungo Singh S/o (L) Rajendro Singh of -do-
- Petitioners

-Versus-

Late Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Maning Leikai. - O.P.

**NOTICE**

Bishnupur, the 20-6-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Ingudam Rajendro Singh S/o Iboton Singh of Khoijuman Maning Leikai দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 39-Khoijuman পাট্টা নং 181 (অরিবা), 48/1026 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 1160/2536 গী 0.36 চাওবা তাওথবী অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিংগী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Bishnupur

HL-P/3117/21

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com